*"য়ূদে শৌনা তাঙজা লিলহা, থিংদে পলনা মলয়া নুংশিৎ,*
*থূক্তে শৌদা, য়েংদে পলদা নুংশিবগী নুংশিৎ।"*
*- মীনকেতন*

ঔৱেক্লেং

## হো ইম্ফাল তুরেল

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

হাদা ইম্ফাল তুরেল পুকতপ্পী
নদোম তূমিন চেম্থরি নিংঙাইদনা
উশিন্নদা, তাশিন্নদা, খঙশিন্নদা,
মিনুথোং মপা য়ৌশিল্লকপদা
কোরৌ নোংজা খুদিংগী
কেক্রূপাৎকী শক্তম লৌরিবসে
নহাক্তি করি 'মতা ফাওদবরনে?
কোভিদ-১৯ মাগী মহাকথক
হিংথৎ থৎখ্রবা য়াইবী কয়াগী
কায়দোংজফম তলা পামেল ওইরম্বা
শামু হকচাং মশীং লাকঙমদ্রবা
শকউদবা সিয়োম্নুংদা য়োল্লদুনা
য়াইফৌ থাবগুম থারিবসে
নহাকপু করি 'মতা হেক উদবরা?
নত্তে নত্তে, নমু তাইবঙ মীওইবশা
নখোয়না খল্লিবা ৱাখলদু তাইওন্নরে
পাইমা পূক্লিং খরা খিৎ ফাথবিখো
ঐসু খঙঙি নখোয়গী মৈচাক
লাইজ নত্তেদো ঐনা পুদুনা চেল্লিবা
পিরাংনি পিরাং মিৎলুদগী শিঙ্গরকপা
য়েংহৈদ্রবা মতৌ অসে য়েংলুবদা;
ওকচরে পেঞ্জরে কোরোনা হীংচাবা
নঙগী তমথীরবা মীওৎ-মীনৈ
খাঙবগী পাঙ্গল মরায় চায়থরক্লে
চেন্থখ্রবা ঈচেলনা অমুক হঙ্গৎলক্তবগুম
অৱা-অনা, মীকপ-মীরাওখোল পূম্বা
পুদুনা চেন্থখ্রো ইম্ফাল তুরেল নহাক্না
উরোইদবা, তাররোইদবা, তাম্লবা মফম 'মদা।

## মীৎয়েংদুনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐগীসু লৈ
হায়দোক ফোঙদোক্তবা ৱা
অদুবু
নহাক্কী নফমদদি
ঐগী অরোৎপা, ফোঙদোক্তবা
করিবু লৈরমখিগদগে।
ৱাহন্থোক কয়ানা থল্লবা
য়েংল্লকখিবা মীৎয়েংদুনা
হায়দোকখিদবা
ফোঙদোকখিদবা
করিবু লৈরিবগে
নহাক্কী নফমদদি
লৈখিদ্রবনি অরোৎপা অমা
মদুদা খঙখিদবদি
নঙতনি নঙতা।

## অথৌবা ১৮

**— বুঙোচা খুমনচা**

অকিবা ফাওদ্রবা
থৱায়নি নখোয়গী
হকচাংগী শিংলিদা চেল্লিবা
অঙাংবা ঈগী ঈচেলদা
পোকখিদে অকি তুজুংবা
নিংহন্নবা, চোকথবা অমসুং থৱায়গী পান্মুবা
ইমা লৈবাক নুংশিবগী
মুৎখিদৌরবা কাইখিগদৌরবা
ঙমখৈগীদমক ফুরুপকীদমক
মাঙজিল থারিবা অথৌবশিংগী
অমতা ওইবা খোল্লাউনা লাউরমখি
'মণিপুরগী ঙমখৈ
কায়বা য়ারোই
অপূনবগী শক্তম
কায়বা য়ারোই
লোং লিভ মণিপুর
মণিপুর ইমানা য়াইফরে'
থৱায়না পোন্থা পীরল্লসু
কুমজা ২০০১গী
জুন তরানিপালদুদা
অথৌবা নখোয়গী
থৱায় মিরেল তরানিপান্না
ঙসিসু নিন্দুনা লৈহৌরি
নখোয়না লাওরম্বা খোল্লাউনা
পুনশিন্দুনা থম্বীরি চেৎনা
নঙগী ঐগী মাগী হায়বা
খেন্নবগী ফুরুপ থমদনা
চেৎলবা নুংশিবগী লংলা ওইদুনা
কচ্চরি অথৌবা নখোয়গী খুয়াখাদা
পূক্নিংগী লৈকোন্দা শাৎপা
হৈরাং লৈরাং খরসে
থম্মোয়গী নীংশিং য়েন্দাইদা হাপ্তুনা
পাক্লবা পিরাংগী ঈপাক্তা
নীংশিং তর্পন
লৌশিনবীয়ুকো লৎনবা লৈতনা
কচ্চরিবা খরসে
ঙসি জুন ১৮না লাকপসিদা।

## লাইগী ৱারী

**— এস মঙলেমজাও, রিটয়ার্দ আই পি এস**

"There is no God other than Truth" -M.K. Gandhi

লাই লৈ লাই লৈ
মীওইবনা কোয়থি থিদুনা লাকখি
য়ুগ কয়া হৌখরে অসুম্না থি থিদুনা
মহাক্কী মরমদা কয়া শৈথাই
শক-শোনজৈ হন্না হন্না
মালেমগী মীয়াম্না মফম খুদিং
মাগী মাগী মমিং থোনজদুনা।
হায়নৈ মাদি ঙাকপী হৈবনি
লোম্বা নাইদবনি
পূম্নমকপু শেন্থী শাবীরিবনি
পরমাত্মানি জীব পানবা পূম্নমক্কী।
চহী লিশীং লিশীং কয়া হৌখ্রসু
লুপা লন-থুম কয়া তিংখ্রসু
মন্দির, মসজিদ, গির্জা কয়া
সনানা হক্তুনা শারসু
মাগী মশক্তি উৎলক্তে নোংমতসু
অদুম লৈরি ঙসিসু

মীওইবগী ৱাখলগী অতিয়াদা
মপাল নাইদ্রবা লমদমদুদা।
মোহন্দাস করমচান্দ গান্ধীনসু
হায়বিরম্মী অরোইবদা-
ঈশ্বরদি অচুম্বনি মাগ অমত্তনি
অচুম্বা হায়বা নত্তনা লৈরমদ্রে অমা
অচুম্বনা ঈশ্বরনি, ঈশ্বরনা অচুম্বনি
মাদি মফম খুদিংদা লৈবনি
মাদি অরেপ্পনি হোংবা নাইদবনি
ৱাফমসিগী ৱাহন্থোক্তি ফোঙজবা তারি
ফোঙজবা তারি মা মানা।
খনবীয়ু য়েংবীয়ু
মীওইবগী আত্মানা খঙবনি
অচুম অরান পাপ পুন্য
তৌহৈ-তৌহৈদবা অরান-অচুই।
মীওইবনা মরক মরক্তা
মঙলাক্লবা মিৎকুপ্পা ওইজ-ওইথক্কী
পূক্নিংদা ফাওরিবা অচুম-অরানগী
ৱায়েলগী কাঙলোনবু নমশিল্লগা
পাপকী লম্বী চংদুনা চৎতুনা
মীওইবনা হন্না হন্না
অৱা ঈপাক্তা তারি কয়া কয়া ঈরাক্লরি
মালেমসিবুসু মথক মখা ওলহল্লি।
মীওইবদা য়াওজরিবা
অচুম অরানবু খঙলিবা উরিবা
ঈশ্বর মানা পীবিরিবা
আত্মাসিনিনে ঈশ্বরদি
ঐ ঐদা য়াওজরিবা
অদুননি ঈশ্বরনা
মফম খুদিং লৈরিবা।
হকচাং মন্দিরসিনিসে
অশেংবা লাইশঙ
হকচাং মাবু তরু তনান্না
অফবা ৱাখলতা খন্দুনা
তরু তশেংনা থমদুনা
পূক্নিং ৱাখল তুনা চৎমিন্নরগা
অচুম্বা অফবতা তৌরবা
ঈশ্বর মাবু ফংজরনি
মফম কদায়দা থিরুদ্রসু।
অসুম্না তৌরবদি
মালেমসি শ্বর্গদুম ওইরনি
ঐখোয় ঐখোয়সু
চঙনা লাইরৈবাক য়ৌরনি
মালেমসে লাইরৈবাক ওল্লনি
অৱাবা অমত্তা লৈররোই।

## সুর সুর সুরমঙ্গোল

**— কুবের কৈশাম**

মোমোন্নবা মায়থোঙগী মরুপ
শুক্তোকপা অশাউবগী য়েক্লবা
অপঙবা, অঙাওবা, অঙাং
নুপী মানবী, হনুবী শক্লোন শক্তম লাংখিবা
নঙনি ইনাও সুরমঙ্গোল
ইমালোল খক্তা নত্তনা
ইংলিস হিন্দি...
ইমা লোলগুম ঙাঙখিবা
অচুম্বদি অমত্তা য়াওহন্দবা
অতাবা মীপূম খুদিংবু
পূক্নি পায়না নোকহনখিবা
নঙনি ইনাও সুরমঙ্গোল
মালেম শিনবা লাইচৎনা
চৈথেংগী চৈনা ফংবদে
চৈচৎতি তরা জুনগী
লিশীং অনী কুন্নমাথোই
শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং
লায়েংশঙদা চৎখিবা
নঙনি ইনাও সুরমঙ্গোল।
থাংজ নোংমাইজিং লোন্নবা
নোংয়াই মতুং নোংঙাল্লমদাই
জুনগী তরাহুমদোই লিশীং অনী কুন্নমাথোই
পুন্সি চেঙজেল লোইদুনা
মপুগী মকা তমখিবা
নঙনি ইনাও সুরমঙ্গোল
খোন্থাং য়ৈহৌরি নখোঞ্জেল
মোমোন নোকহৌরি নশক্তম
অঙাই তাইবঙ মচানি
লাক্কনি নোংমা ঐখোয়সু
ঈংনা চিক্লা লৈয়ুকো।
তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা
সুর সুর সুরমঙ্গোল।

## কল্লকপা অমত্তংদি লৈ

**— নিংথৌজা মেম্মা**

কল্লকপা অমত্তংদি লৈ
পামজদে ফজবা ফিজেৎ-লৈতেং
কল্লকউদে অৱাংবা ফুরা-দলাল
তোংনিংলুদে জীপ কার
তাংনিংলুদে সনা-লুপাগী মপান
অদুবু কল্লকপা অমত্তংদি লৈ
ফজবা পুকচেল, অচৌবা ৱাখল,
অচম্বা থম্মোয়,অঙ্গৈংবা পুন্সি,
কৎথোকপা ঙম্বা।

## অধিকার

**—তেন্সুবম গোবিন**

হিংলুবগী অধিকার য়াওদ্রবা
অকনবনা অশোনববু তুহৎপীরবা
ঙসিগী খুন্নাই অসিদা
অমোৎপনা অচুম্বা ওল্লক্লবা।
শেলনা মীওইবগী পুন্সিবু
মমল পীরগা লৈরক্লবা
পুন্সিবু মমল য়াওদনা
খল্লবা ঙসিগী মতমসিদা।
অচুম্বগী মমি মাঙশিল্লক্লে
অচুম্বগী অধিকার মাঙখরে
অচুম্বগী মায়কৈদা লেপ্লবা
মী থোকপীরক্লবা লৈতরে।
হিংদুনা লৈরুবগী কান্নবা
লৈত্রবা ঙসিগী সংসারসিদা
ঐখোয়না লেল্লি ঙসিসু
অচুম্বগী অধিকারগী মায়কৈদা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ওজা নোংমাইথেম রাজমুহোনগী মেরী ক্যুরী




সাইন্সকী মরমদা ইবা লাইরিকশিং, আর্টকী লাইরিকশিং অমদি অতৈ ইতিহাসকী, জিওগ্রফিগী লাইরিকশিং অসি পাগদবা মীওইশিং খেন্নে। লাইরিক ওইনা হয়ার ষ্টডিগী লমদা তম্লুবনা অমনি। ইচম চম্না জেনরেল নৎত্রগা অউটবুক অমা ওইনা পারকপা মতমদা লাইরিকসু খল্লি, পাগদবা মীগী মীশকসু খল্লি। মসি মহৌশা ওইনা লাকই। মীওইবনা খঙনিংবগী, পোখানবগী, মতম লেনবগী হায়না খায়দোক্লগা লাইরিক পানৈ। কনাগুম্বনা অতম্ননা নৈনবগী পাবসু তৌনৈ। মীগী মথৌ তাবা, অপাম্বা হৈনবগী মতুংইন্ননি। অয়াম্বা পানবা লাইরিক্তি ফিক্সন অমদি ক্রিয়েটিব রাইটিংগী লাইরিক্লা ওইব্রা খঞ্জে।

মীওইবগী অপাম্বা হায়বসি মখল য়াম্মী। 'অপাম্বা' হায়বা ৱাহৈসিদা মশাগী ওইবা (সেলফিসনেস) মরন্নাইগীতা খনবা অমা লোয়নবগুম্না উরি। চুম্মী, অপাম্বা হায়বসি মশাগীনি। মীওইবসিনা মশাগী খক্ত খল্লকপদা মূক্লবা, নুংশিনদবদগী চাং ৱাংখৎনরক্তুনা খৎনরকপা, মীশী মীনা, অচৌবা লাঞ্জাউ ময়াম অমা থোকলকই। মসিগী লেঙদ্রবা খুদমদি ইতিহাসকী, পুৱারীগী লাইরিকশিং অমদি অতৈ মাঙলমচৎতা থোকখিবা থৌদোকশিং, হীরম কয়ামুক্তা থেংনদুনা খঙনরকখ্রবা ৱাফম্লি।

মশাগী খনবা নত্তবা মীওইবা খুন্নাইগী কান্নগদবা, তুংকোইনা করিগীগুম্বা কান্নবা পোৎশক খরদি থম্বীরমগে খনবা মীগী মশীংসি তাঙনা থোকই। মশাগী অপাম্বা ওইজরগসু মীওইবা খুন্নাইগী কান্নগদবা হীরমদা মায়পুনখিবা মীসু লৈরি। মখোয়না হোৎনখিবা, লৌখিবা থৌদাংসি ঐখোয়না থিজিন হুমজিল্লগা নৈনবসি হৌজিক্কী মতম অসিদদি য়াম্না মরু ওইরকই। মমাংগী লম্বীদা চৎখ্রবা মায় পাকখিবা মীগী খোঙ্গুল লীকলমদা চৎতনা লম্বী মফৈ হায়দোক্লবনা মশীং হেন্না য়াম্লকপদগী লম্মাংনবা, অফবা খনবা ঙমদবগী মশীংনা অমুক হেনগৎলকপদগী চাউখৎপদা খুরৌ থাংলকপনি হায়বসি ঐগী থাজজবনি।

বাইওগ্রফি, ঔটো বাইওগ্রফিগী লাইরিকসি মীপূম খূদিংনবা পানবা ৱাৎলি। লাইরিক মখল অসিসু মীগী লমদদি মরাঙ কায়না পুথোক্লে। ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী ওইনদি মশীং পংয়াম য়ামদনা লৈবা উরি। মীতোপকী মীরমগী শক্লাইবা শক্লাইবীশিংগী মরমদা হন্দোক্লগা অমদি লমদমসিগী মশক নাইবা অহল লমনশিং, মীওইশিংগী মরমদা ইবা লাইরিকসু য়াম্না লৈজদ্রি। মাইকৈ অসোমদা চঙশিনবা খোরিরোলগী মশক অসি খোঙজেল তপ্পী। মেদাম ক্যুরি নৎত্রগা মেরী ক্যুরীগী মরমদা ইবা লাইরিক মশীং খঙদনা লোল কয়ামুক্তা লৈখ্রবনি। মেদাম ক্যুরি হায়রগা হেন্না খঙনবী নোভেল প্রাইজ অনীরক ফংখ্রবী শিংথানিংঙাই ওইরবী মায় পাকখ্রবী নুপী অমগী মরমদা ওজা নোংমাইথেম রাজমুহোন্না 'মেরী ক্যুরী' হায়না ইবা লাইরিক অমা হন্দক থেংনজদুনা পাজখি। মেরী ক্যুরীনা পুথোকখিবা রেডিয়মনা মেদিকেল সাইন্সতা অচৌবা অওনবা অমা পুরকহনখিবা, মায় পাকলকখিবগী ৱারীদা মপূং ওইবা লাইরিক অসি পারুবদা ৱাখলগী ইনোৎ অমা লাকখি।

'মেরী ক্যুরী'গী ৱারী ময়াম্না খঙনরবনি ঙসি মীওইবগী কান্নরবা রেডিয়ম হায়বা সাইন্সনা থীজিনবদগী ফংলকখিবা পোৎশক অসিবু পুথোকখিবী লাইরবীনি। পোৎশক অমা পুথোকলকপদা কান্নবা অদুতনি ঐখোয়না খঙলিবদি। পোৎশক অসি পুথোক্লবা হেৎনরকপদা থেংনখিবা, মায়োক্লখিবা কয়া অদুদি ঐখোয়না উরুদবনা খঙলুদে। ৱারী ওইনা তাবগা লাইরিক ওইনা পারকপদা ফংলকপগা মহাউসিসু অমুক মান্নদ্রি। তাখ্রবা খঙখ্রবা ৱারীদা ইনৌ নৌনা অমুক লাইরিক ওইনা পারকপদা ফংলকপা মঙাল অসিনি ঐনা পাউদমজনিংলিবসি। লাইরিক মশক তাকপা হায়বা অমসু মতমসিদা কন্না চৎনরি। মাইকৈ অদোমদা চঙশিনবগী ইতীকসু ওইদে। অশেংবা থৌদোক ৱারীদা অমুক মশক তাকলুবগী থোইদোকপসু লৈতে খঞ্জে। বনাণ লানবা, অইবদা টুকা থিবদু ওঝা এন. রাজমুহোনগী লাইরিক অসিদা মথৌ তাদে। পরিং তিংদুনা কারল লাক্লগা, অফবা খেফমদা উরেপ উয়ুং তমখ্রবা য়ুমশা অমগী মশক নীংশিংমিন্নবনি। ওঝা রাজমুহোনগী অনৌবা খুৎথা অমদা ইচম চম্না ৱারী লীরকপগী নুংঙাইবা, কান্নবা লাইরিক অসি পারকপদা ফংখি। মেরী ক্যুরীগী ৱারীদি লোইবা নাইররোই। ঐগুম্বা অমনা থাগৎপদগী হেন্না মালেমগী মশক নাইখ্রবা নৈনমী কয়ানা নৈনখ্রবনি। ঐখোয়গুম্বনা থাগৎপনসু য়ৌররোই। নোবেল প্রাইজ অমুক্তা নত্তনা অনীরক ফংখিবা হায়বসিদা ৱা অদুম শাংথনিংঙাই লৈতে। ঐনা থাগৎচনিংবদি মেরী ক্যুরীগী ৱারীবু নৌহৌননা নীংশিংহন্দুনা লাইরিক ওইনা চম্না পুথোক্লিবা অইবা ওঝা এন রাজমুহোন্নি। লাইরিকসি পারকপদা ওঝানা মাঙদা লেপ্লগা ঐখোয় ময়ামগী মাঙদা ৱা ঙাঙবদু ওইনা উরগা তারি। ওঝানা মীয়াম তিনবা মফমদা মরীক চুম্না ৱা ঙাঙবগী ফজবা অদুমক লাইরিক অসিদসু থেংনরি। অদুননি ঐনা লাইরিক অসি পাবদা ওঝা মশানা ঙাঙবগুম তাজৈ হায়জরিবসি।

ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা উচিৱা বিজয় হায়বা মমিং লৈখিবা মৈতৈগী ৱারী লীবা ওজা অমনা মীয়াম তিনবা মফমদা নুমিৎ কয়ানি ৱারী লিবা তাখি। অঙাংশিংনা তাবা পাম্বা ৱারীদি তপ্তুগীনি, লাইখুৎশাংবীনি। অদুবু করিসু খঙদ্রিবা অঙাং ওইরিবা ঐনা অহল লমন ময়াম্না তানরিবা উচিৱা বিজয়না লীখিবা ৱারী অদুদা নুংঙাইবা ফাওখি। চাউরাক্লা চয়োল অমরোম নুতিগী ৱারী তাবা অঙাং ওইনা মীগী মান্দপ্তা চৎখি। ৱারীদু মহাভারত ওইজরগসু ৱারী লিবীরিবা ওঝা অদুগী লান্থোক্লিবা প্রজেন্টেসন মওং অদুনা অঙাং ওইরিবা ঐবু তানিংহনখি। ৱারীগী মতাং অমখক - অচুম্বগা অরানবা অনীসি য়ূমথংনৈ। কয়ামুক নক্লবগে হায়ববু কফোয় হায়রিবা হৈগী মনুংদা কফোয় মরুশিংগী চবুন অমমম্বু মপ্রাং (মপ্রাম) অমমম্না কাদুপ খায়না লৈবা অদুগুম্বনি।" ইরায় লায়না প্রমাণ তৌরগা ৱারী লিখি। ৱারীদি লাইহনগদবনি, নুংঙাইহনগদবনি, পরিং থৌদোক শাগৎপা হৈগদবনি হায়বা অমা অঙাং ওইনা ঐঙোন্দা ফাওখি। ওঝা নোংমাইথেম রাজমুহোনগী লেকচর সেরিজ কয়ারক তাবা ফংজখিবনা ওঝাবু কল্লকচখি। ওঝানা ঙাঙলকপদা কচিন কোয়া য়ৌশিনবা, ৱা ঙাঙবীবদা পোৎশক্তু ইনাক্তা লৈবগুম উহনবা ঙম্বগী মতৌ অমা লোইনরি। মসিমক লাইরিক ওইনা ইবীরগা পাউদমলকপদসু মহাউ অদু চপ চানা ঐখোয়দা ফংবা ঙম্মী।

সাইন্সকী ৱারীদা সিঙ্গার রস লৈতে। সাইন্সকী ৱারী নোক্লবা শেম্বা নত্তে অদুনা তাবদা কপনিংদে ঐখোয় নোক্লিংদে। সাইন্সনা অঙকপা ফাওহনবদি ঙম্মী। অঙকপা পোকহনবনি, অৱাবসু য়াওরি হায়দুনা নাট্য সাস্ত্রগী রসকী মনুংদা লৈরিবা অদভুট, ভায়ানক, করুন রসশিং সাইন্সতা পুশিল্লগা পানশিল্লুবদা সাইন্সকী ৱাহৈদা 'রিয়েক্সন' হায়বদু থোক্কনি। চান্নদে, পকচরোই। সাইন্সতি অলঙ্কার য়াদে মকে শেমদে। অচুম্বা পুথোকপনি অশেংবা ওইদবা য়াদে।

মেরীনা সাইন্সকী মহৈরোই অমা ওইনা মরৈবাক নুংশিজবা, রুশকী মীখা পোল্লিবা মমা লৈবাক পোলেণ্ডবু রুসিয়াগী মথক্তা লমন খুম্নিংবগী ৱাখল চেল্লকপগী পাউদম অমা ওজানা লাইরিক অসিদা পল্লি। ঐনা থেংনখিবা সোভিয়েটকী লৈশাবী জুলিয়া নীংশিংলকই। জর্ম্মননা রুশিয়াবু মালেমগী অনীশুবা লান্দা ওৎখি। রুশকী লৈশাবী ওইরবী জুলিয়ানা জর্ম্মণগী মথক্তা লমন খুমনিংখি। লমন মখুমদি জর্ম্মণনা শাবা ঙমদবা জহাজ অমা শানবগী ফোর্মুলা পুথোকপা পামখিবনি। মতৌ অসুম্না মেরীক্যুরীনা রেডিয়ম পুথোক্লিবসি রুশকী মীখা পোল্লিবা পোলেণ্ড চনু অমননি। রুশকী মথক্তা মেরীনা রেডিয়ম পুথোক্তুনা লমন খুম্বনি। মেরীবু লৌগদৌরিবা পেরীনা নুংশি হায়না মেরীদা কাইহৌরকপদা মমা লৈপাক্কীদমক কৎথোক্লগে খল্লিবা লালহৌবগী ৱাখল চেল্লিবী মেরীনা নুংশি নুংওল পামখিদে। পেরীনা হায়খি, নহাক্লা চৎলিবা, তৌগে খল্লিবা থবক অদু নতোমতনা পাংথোকপদা ৱাগনি, নহাক্কী নতেং পাংনিংবগী নুংশি কাইহৌবনি হায়রকপদা মেরীনা য়াখি মখোয় অনী লৌন লৈদুনা অহিং নুংথিল লেপ্তুনা থিজিনবদগী রেডিয়ম পুথোকপা ঙমখি। ঐনা হায়জনিংঙি পেরীনা মেরীগী মফমদা নুংশি কাইহৌরমদ্রগদি মেরীনা রেডিয়ম পুথোকপা ঙমলমগদ্রা ? নুপী নুপা অনীগী অমত্তা ওইবা খাঙবা কনবা, নুংশি লীচিং অমনা মায় পাকখিবনি হায়বসি থাজখি। মপুরোইবা পেরীনা মেরীগী মতেং পাংলম্লগা ঙন্না লৈখিদে। মেরীসু তমথিরবা ব্লদ কেন্সরনা নারগা লৈখিদে। অৱা পোৎলোইনা মেরীক্যুরীগী ৱারী ওইখি। মহাক্লা পুথোকখিবা রেডিয়ম্না মীওইবগী পূন্সি কনবদা মতেং ওইখ্রবসু রেডিয়মবু পুথোক্লিবী মেরীনা নারিবা ব্লদ কেন্সরবুদি কনবা ঙমবা সাইন্সনা অনৌবা অমা পুথোকপা ঙমখিদে। হন্দক লাইচৎ অসিনা লমদমসিগী লাকশিনবীখ্রবা থৱায় ময়ামগীদমক পি শিন্থবা লোইদ্রিঙৈদা লাইরিক অসিগী ৱারী পারুবদা থম্মোয়সি নুংহিক্লবা হেনগৎলকখি। সাইন্সকী ৱারী ওইজরগসু মীওইবগী মীনুংশি, খাঙবা কনবা, কৎথোকখিবা কয়াবু থম্মোয়দা ফাওহন্দুনা নুংশিরবা মেরীক্যুরীগী ৱারীবু ইবীরিবা ওঝা রাজমুহোনবু ঐহাক্লা গ্রীক্কী ট্রেজিদি এন্টিগোনে ইখিবা সোফোক্লেস ওইনা নীংশিংহল্লকখি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১০০

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

উকিলগী মপা অদু লেপ্তুনা রঙ্গনাথনা তৌরিবা মওং-মতৌ অদু য়েংদুনা লৈরম্মী। মহাক্লা নাপীশিং অদু পুনশিন্দুনা চাওনা মতুম তানা-তানা শেল্লবা মতুংদা মহাক্লা হংই, "মসি করিনো?"

"করিনো?"

"মতুম তানা পুনশিনবনি?"

"য়াম্না ফজনা শেম্মি?" শুমাইনা তৌবা অসিনা লম্বীদা নাপীশিং অসি শন্দোরকপা ৱাগনি হায়না মহাক্লা হায়বা পাম্বনি। অদুবু উকিলগী মপা অদুগী মায়থোং য়েংলগা তুমিন্না লৈরম্মী। করিগুম্বা অরোন-অথুপকী ওইবা ৱাফম অমা খঙবা পাম্লম্মী। রঙ্গনাথনা থম্মোয়নুংদা খল্লি, অদুগুম্বা পাম্লবদি চপ হেক চারে। মহাক্লা হায়, "কনা অমত্তদা হায়দোক্কনু। মাম্মনা হায়রকখিবনি লম্বীদা নাপীতনা পীক থন্না হৌবা জঙ্গল অমা লৈবনি। মফম অদুগী নাপীশিং অদু পুল্লপ-পুল্লপ তাশিল্লগা পুনশিল্লু। অদুমাইনা তৌবনা হনুমানজিনা হরাওই হায়।"

উকিলগী মপা অদুনা চিংনবা অমগা লোয়নননা হায়, "হান্না অমুক্তা তাখিদ্রি।"

"ঐনসু তাদ্রি।" ৱাফম অদু থৌওইনা লৌদনা মাং থানা চৎলম্মী। উকিলগী মপা অদুসু মহাক্কী মতুংইন্না চৎলি অদুগা উকিলশিংনা কেস থেংনবগী মতাংদা অমুক হন্না ৱারী শাবা হৌরকই। "এম এ অমদি বি এনা করিসু কান্নদ্রে। মমাংঙৈদা ঐখোয় শ্বাইদা শৈরেং অমা য়াম্না কন্না মমিং চৎখি। শৈরেং অদু করম্বা শৈরেংনো খঙব্রা, হৌজিক শৈরেং অদু নীংশিংবদি ঙমদ্রে। হোয়, শৈরেং অদুগী অরোইবা শরুক্তা 'থবক করিমত্তা তৌনিংঙাই লৈতবনা নাপী থৎতুনা লৈরে' হায়বনি। অদুবু হৌজিক শৈরেং অদু ওন্থোক্লদুনা শুমাইনা হায়নরবনি 'বি এ লোয়রবসু থবক লৈতবনা নাপী থৎতুনা লৈরে।' হৌজিক্কী মতমদা বি এ অমদি এম এ য়াম্না হোঙনা লৈরে। নঙসু উকিল ওইনা তম্লম্লবদি হেন্না ফরমগদবনি। উকিল ওইদুনা কোর্টতা গ্যান তানা ফমদুনা লৈবা য়াই। নখোয়গী মাম্মা গাঞ্জহা ওইরবা অমদি নঙগী নাক্তা ৱেদ্যজি হোয় লৈরবা অদুগা নেতা ময়াম অমা লৈরবদি কেসগী অৱাৎপা করিগী লৈগদৌরিবনো ! নুমীৎ খুদিংগী নঙগী মাম্মা খক্তংগী কেস ১০/২০দি অদুমক লৈরিবনি।"

রঙ্গনাথনা মহাক্লা পীরক্লিবা এদভাইস অদুগী মতাংদা করিমত্তা হায়রমদে। শুপ্নগী চৎন-চৎনা অমুক লেপ্তুনা মহাক্লা নাপীশিং অদু অমুক তাশিন-খোমজিন তৌদুনা পুনশিল্লম্মী অদুগা লাউরদুনা হায়, "জয় হনুমান কী !"

উকিলগী মপা অদু হন্দক্তি লেপ্তুনা লৈখ্রে। রঙ্গনাথকী মচিন্দগী হনুমানগী মীংগৌ হেক তারকপদা মহাকসু নাপী চবুন অমা পায়দুনা পুনশিন্নবা হোৎনরম্মী। রঙ্গনাথতা মহাক্লা তাক্লম্মী, "ঐসু নাপী চবুন অমা পুনশিল্লসিরা খল্লিবনি।"

রঙ্গনাথনা ৱাফম অদু য়াম্না লুমনা লৌরদুনা পাউখুম পীরকই, "জয় হনুমানজি কী!"

উকিলগী মপানা খুদক্তা পুনশিল্লিবা নাপী চবুল অদুদা খুরমদুনা মহাকসু 'জয় হনুমানজি কী' হায়না লাউরক্লম্মী।

কুচু য়াম্না মুবী নুপী অমসু মকোক্তা অমোৎপা খাউ অমা পুরদুনা মখোয়গী তুং থংনা-থংনা লাক্লম্মী। মহাক হান্নদি য়াম্না লাপ্না চৎলম্বনি, অদুবু মখোয়না নাপীশিং অদু পুল-পুল্লগা চৎপা অদুনা নুপী অদু মখোয়গী মনাক্তা নকশিল্লক্লম্মী। নুপী অদু চাওরাক্লা চহী ৪৫ রোম শুরম্লগনি। অদুবু মায়থোং অদু হনুবীগুম উরে। অদুবু হকচাংদি নহা য়াম্না ওইরি। মহাক্লা লিৎলিবা ফুরিৎ অদুগী কুদাম অমা নান্থোক্তুনা লৈ। মহাক্কী মচিন অদু মীরাবাইগী মতৌগুম ঈংনা-চিক্লা ফজৈ। মহাক মশানা লিৎলিবা ফুরিৎ অদুগী কুদাম অমা নান্থোক্তুনা লৈ হায়বসি খঙজরমদে। কুদাম নান্থোক্তুনা লৈরিবা অদুনা মঙোন্দসু চিংনবা অমত্তসু লৈরমদে। রঙ্গনাথনা অহানবা মীৎয়েং ওইনা নুপী অদুবু য়েংলম্মী মদুগী মতুংদা উকিলগী মপা অদুদা অমুক য়েংই। অদুবু উকিলগী মপা অদুনা উদে মদুদি মঙোন্দসু অমুক য়েংই হায়বদু। মরমদি উকিলগী মপা মশামক মহৌশাগী ফজরবা নুপী অদুগী শবাল অদু য়েংদুনা অদুমক লৈরম্মী। অদুবু রঙ্গনাথতি অমুক য়েংলম্লগা অদুমক য়েংখিদ্রে।

নুপী অদুনা হামেংগী মখোলগুম্না হংলকই, "করিনো তৌরিদুবু ভৈয়া?"

রঙ্গনাথনা ৱা ঙাঙবগী মথৌ তাদ্রে মরমদি উকিলগী মপা অদুনা হান্না অদুমক হায়রকই, "উদ্রো হনুমানজিগীদমক নাপী মপুন-মপুন পুনশিল্লিসে।"

নুপী অদুনা মকোক্তা পুরকপা খাউ অদু থাংথরদুনা লৈবাক মখাদা থমদুনা হায়, "ঐ খঙই। মদুদা ঐনা করিগী অথিংবা পীগদৌরিবনো?"

উকিলগী মপা অদুনা হৌজিক-হৌজিক ইশ্বরগী মনাক্তগী হেক হল্লকপগুম চিংনবা লৈতনা হায়, "ইশ্বরগী মফমদদি ঐখোয় চপ মান্নে - কনানা নুপানো, কনানা করিনো!" নুপী অদুসু মখুৎ অনী অদুনা নাপীশিং অদুবু পাম্বী অমদা পুনশিন্দুনা লাইখুরম্বগী মওংদা হায়রকই, "জয় বজরঙ্গবলি কী !"

বাদামদি ফংখিদে, অদুবু শম কক্লবা দুকান অমদা সনিচর ফমদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মেদিকেল সাইন্সকী তাইবঙদা নেচরগী লাইয়েং পথাপ তৌবা ক্লিনিক অমগী ফীভমদা লৈবগুম শম ককপগী তাইবঙদসু দুকান অদুসু অদুগুম্বা ফীভম অমদা লৈ। হায়বদি দুকান অমত্তা লৈতে অদুবু মফম অদুদা পূম্নমক ফংই। লৈখোম থোকপা লম্বী অমগী মতাইদা নীমগী পাম্বী অমা হৌরম্মী। পাম্বী অদুগী মখাদা শম ককপা নুপা অদু বোরা অমা থারদুনা ফমদুনা লৈরম্মী। মদুগী মমাংদা য়ুম্বী অমসু য়ূংদুনা লৈরম্মী। য়ূম্বী অদুগী মথক্তা সনিচর ফমদুনসু লৈরমদে অমদি লেপ্তুনসু লৈরমদে, তোঙানবা ফীভম অমদা লৈরম্মী।

শম ককপা নুপা অদুনা মহাক্কী তুংদা হৌরিবা শম অদু কক্তুনা লৈরম্মী। কোক্কী নাক-য়েৎতা হৌরম্বা শমশিং ককপা লোইখ্রে। কোক অদুগী মরুওইবা মফমশিংদদি শাংল-শাংলবা শম কয়া হৌদুনা লৈরম্মী। ফীভম অদু লাপ্না য়েংবদা রাউন্দ কেপ অমা উপগুম ওইনা উই। শম্না হায়রবদা শম খুকক অদু সনিচরনা অঙ্গ্রেজশিংগী শমকক মওংদা ককহনবনি।

মহাক্লা রঙ্গনাথগী খোঞ্জেল হেক তারকপদা শম ককলিবা অদুগী মরক্তগী মহাক্লা মকোক লৈথোরক্তুনা য়েংলকই। চেপতক্লা য়েংলদুনা হায়, "শিবপালগঞ্জগী শম ককপা পূম্নমক কদাইদনোমা চৎনখ্রে। মরম অদুনা মফম অসিদা লাক্তুনা শম কক্লম্লিবনি।"

ৱাফম অদু খরা খজিক পোঙনা ঙাঙখিবা ৱাঙাঙনি। সনিচর মরিনী শুবা নুমীৎ খুদিংগী মশম ককপগী মওংনি। অদুবু তশেংবা ৱাফমদি রঙ্গনাথনসু খঙই মদুদি শমগী মতাংদা সনিচরগী ৱাখল্লোলগা ঐগা চপ মান্নে। হায়বদি চহী অমা ফাওবা মশাগী শমদা মখুৎনা ফাওবা শোক্তে, অতোপ্পা মীনসু শোকহন্দে। করিগুম্বা মতমদা নাকোং অমদি তুংগী শরুক্তা হৌরিবা শম খরা খজিক হেক শোমহল্লি। রঙ্গনাথ গ্যান তাবা ঙম্লমদে হায়বদি শম কক্লিবা অদুগী তুংদা করি-করম্বা ৱাখল্লোল অমা থবক তৌরিবনো হায়বদু। মহাক তুমিন্না লেপ্তুনা লৈরম্মী।

শম ককপা নুপা অদুনা রঙ্গনাথনা লেপ্তুনা য়েংদুনা লৈবা অদু উবদা শম ককপা লেপখিদুনা সনিচরগী মকোকতা মখুৎনা তাপ-তাপ থারদুনা হায়, হৌগৎলো ! শম ককপা লোইরে। ৱাহৈ অদু হেক তাবগা য়ূম্বী অদুগী মথক্তা মখোং নামা থাঙ্গৎলদুনা লেপ্পী। ফুরিৎখাউদগী পৈশা পুথোরক্তুনা শম ককপা নুপা অদুদা পীরম্মী। শম ককপানুপা অদুনা পৈশা অদু অচৎপা পৈশা নত্তে হায়না শুকয়েং য়েংদনা হায়রক্তুনা হন্দোরকই। মদুদা মহাক্লা মরৈ য়েৎনরুবা তৌদনা অতোপ্পা পৈশা অমা অমুক পী। মহাক্লা রঙ্গনাথতা য়েংলক্তুনা মমিৎ খৎলদুনা হায় মহাক্লা শম ককপা নুপা অদুদা ফাগি তৌবনি হায়না।

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।